**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-05-2026)**

**অনুরাখ (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (টেক্সতাইল, কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রি) অনুরাখ ভাজপায়না হায়রি-রাজ্য সরকারগী মীৎয়েংদি, মনিপুরগী মতম কুইনদগী লৈরক্লবা থোহদোক হেন্দোকপা ফিশা লোনশাগী পোৎলমশিং মপান লমদা মপুং ফানা থাদোকপা ঙমহনবা হায়বসিনি।

ইম্ফালগী হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা ঙসি পাঙথোকপা মনিপুর ষ্টেট এক্সপোর্ট এক্সন প্লান্টকী মতাংদা পাঙথোকপা খন্ন-নৈনবগী মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা মহাকা হায়-মনিপুরগী ফিশা লোনশাগী পোৎলমশিং অসি মালেমগী কৈথেলদা থাদোকপা য়াবগী চপ চাবা মগুন লৈবা পোৎলম য়ামা য়াওরি।

মহাকা হায়-মনিপুরগী ফিশা লোনশাগী লম অসি শুপতগী শেন্মীৎলোনগী লম্বী অমা ওইবতা নত্তনা নুপীশিংবু শক্তি পীবা, পুন্সি মহিং ফগৎহনবা, নাৎ-চৎনবীশিং ঙাক্তুনা থমবগী মরুওইবা লম অমা ওইরি।

শ্রী ভাজপায়না হায়-মনিপুরদা হৌজিক হৈথোাই-শিংথোইরবা নহা ওইরিবা দিজাইনরশিং, ফেসনগী লমদা খঙ হৈরবা অমদি ওন্টরপ্রেন্যুয়র কয়া মরাং কায়না লৈরে। মখোয়না সরকারগা পুন্না চৎমিন্নদুনা মপাল লমদা থাদোকপা য়াবা পোৎলমশিং পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা, ৱা ঙাংলদুনা হেন্দলুম অমসুং টেক্সতাইলগী দাইরেক্তর-এলাংবম জিতেননা হায়-রাজ্য সরকারগী মরুওইবা পান্দমদি, মনিপুরগী হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটসকী পোৎথোকশিং অসি কুমজা ২০৩০ ফাওবদা লুপা কোতি ২৪ লাখ ৩ হেনবগী পোৎলমশিং মপান লমদা থাদোকবা পান্দম থল্লি। মনিপুরদা মগুন লৈবা পোৎথোকশিং পুথোকবগীদমক ওন্টরপ্রেন্যুয়র অমসুং ৱিভর ক্লস্তর ৩৪ খনগৎলে। রাজ্য সরকারনা সিঙ্গল ৱিনদো ক্লিয়ারেন্স সেল

হাংদোকবা হোৎনবগা লোয়ননা ইম্ফাল সহরদা অখন্নবা এক্সপোর্ট হব অমা শানবা থৌরাং তৌরি।

**পেট্রোল (এল)ঃ** রাজ্যগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী ওফিসার ওন স্পিসিএল দ্যুতি (পি.ও.এল)-হাওবম বোবী সিংহনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি ইম্ফালগী পেট্রোল পম্পশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুগী মতাংদা হাওবম বোবীনা হায়-পেট্রোল পম্পশিংদগী জরকিন নৎত্রগা কন্টেন্নর শিজিন্নদুনা পেট্রোল অমসুং দিজল লৈরে হায়বগী ৰাকৎ লাকপদগী য়েংশিনবা চৎপনি। মহাকা হায়-মীহুৎ কাংবু অসিনা পেট্রোল পম্পশিংনা জরকিনদা থাউ পীদনবা পাউতাক পীখি। মহাকা হায়-মনিপুরগী ওইল দিপোদা থাউ মরাং কায়না লৈরি। হৌজিকসু পুশিল্লকপা লেপত্রি।

**কোকোমি (এল)ঃ** কোকোমি ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টনা শিনদুনা লাক্লিবা থা অসিগী ২৪ দা মনিপুর কন্নবা নহাশিংগী বাইক রেল্লি অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

বাইক রেল্লি অসি অৱাং সেকমাইদগী হৌরগা খুম্মন লম্পাক্তা লোয়শিনগনি হায়রি।

**হোষ্টেজ (এল)ঃ** ফাজিনখিবা মীওইশিং করিগুম্বা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরকউ হায়না চান্দেল-তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট বেপটিস এসোসিয়েন্স ফেলোসিপনা আপিল তৌরি। য়ান্নদবা লৈরিবশিং ৱারী শান্নদুনা শান্তি ওইবা ৱারোইশিন পুরকবসু এসোসিয়েসন অসিনা তকশিল্লি।

**পোলুসন (এল)ঃ** মনিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্ডনা শিনদুনা পুলিস ওফিসারশিংগী ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমসুং সাউন্দ লেবেল মিটর য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা

ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খনগৎলবা পুলিস ষ্টেসন ১০ দা সাউন্দ লেবেল মিটর  য়েন্থোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি অমদি মনিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্ডকী চেয়ারমেনসু ওইরিবা-অরুন কুমার সিনহানা হায়-সাউন্দ পোলুসননা তোঙান তোঙানবা মখলগী লায়না কয়ামরুম থোকহল্লি। মসিনা মীওইবা খক্তদা নত্তনা শা-উচেকশিংদসু চাউনা চৈথেং পীরি।

থৌরম অদুগী মতাংদা মনিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্ডকী মেম্বর সেক্রেটরি-ডা: ডব্লিয়ু. রোসন সিংহনা হায়-ঙসি য়েন্থোক্লিবা সাউন্দ লেবেল মিটরশিং অসিনা নোইজ ষ্টেন্দরদ হেনব্রা হেন্দব্রা হায়বদু ওনগনি। মসিবু মপুং ফানা শিজিন্নরবদি নোইজ পোলুসন খরদং ওইরবসু হন্থহনবা ঙমগনি। ঙসি য়েন্থোক্লিবা পুলিস ষ্টেসন তরা অসিগী মথক্তা অতোপ্পা পুলিস ষ্টেসন তরা অমদসু মখা তানা য়েন্থোকবা থৌরাং তৌরি।

**ভগীদারি (এল)ঃ** জন্ন ভগীদারি সবসে দুর, সবসে পহেলেগী কেম্পেইন ঙসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পাক শন্না পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-চুরাচান্দপুরনা শিনদুনা জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফম মরিদা কেম্পেইন অসি পাঙথোকখি।

কাংপোকপী জিলাগী লুংপিন সব দিভিজন অমসুং আইলেন্দ সব-দিভিজনদসু ঙসি কেম্পেইন অসি পাঙথোকখি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা কেম্পেইন অসি সোং-সোং টি.দি. ব্লোক্তা পাঙথোকখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-তেংনৌপলনা শিনদুনা ঙসি মৈপৌ ভিলেজ কম্যুনিতি হোলদা কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা জন জাতিয়া গারিমা উৎসবকী থৌরম পাঙথোকখি।

উখ্রুলদসু কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি উ চারা থাবগী থৌরম

অমা পাঙথোকখ্রে।

**উখ্রুল (এল)ঃ** উখ্রুল জিলাদা চথ্পরকপা উচেক মশিং থিবগী থবক ঙসি লোয়শিনখ্রে।

নুমিৎ হুমনি চুপা চথ্পরকপা উচেক মশিং থিবগী থবক অদু দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিস-উখ্রুলনা এন.জি.ও. এনফোগল অমসুং পেতিগ্রিয়ু কলেজগী জ্লোজি দিপার্টমেন্টকা খুৎশমরগা চথ্খিবনি।

জিলা অসিদা লৈবা শিরুই চীংশাং অমদি মসিগা নকনা লৈবা চীংশিংদা চথ্খিবা উচেক মশিং থিবা অদুদা পুন্না উচেক ৮০৩ থেংনখি। মসিগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা মমাংদা মশিং থিদ্রিবা উচেক মখল ৭৩ সু থেংনখি।

**থৌবাল (এল) ঃ** থৌবাল জিলাদা ফেদরেল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, কংলৈপাক থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অমসুং থৌবালগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসকা খুৎশম দুনা ঙসি জিলা অসিদা লৈবা ৱাংজিং হায়স্কুল, লমদিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমসুং ৱাই.কে. কলেজতা উ চারা থাবগী থৌরম হৌদোকখ্রে। খোঙথাং অসি ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্টকা মরী লৈননা তুংগী মীরোলগীদমক, অশঙবা মালেম অমা ওইহল্লসি হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকপনি।

**সনামহি (এল)ঃ** সনামহি লাইনিংগী চৎন-কাঙলোন হায়বা হীরমদা নুমিৎ তরুকনি চথ্খগদবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি লিলোং চজিং মমাং লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা হৌখ্রে।

ত্রেন্নিং অসি লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ড অমসুং অপুনবা ইনাৎ শিনলোন লুপ-লিলোং চজিংনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপনি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কমপ্লেক্সতা লৈবা কাউন্টিং

হোলদা ঙসি ইলেক্ট্রোনিক দিটেল এক্সিদেন্ট রিপোর্ট অমসুং পি.এম-রাহাট স্কিমগী মতাংদা নোংমগী ওইবা সেন্সিটাইজেসন কম ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-য়ুমাম রোবিতা, রাজ্য পুলিসকী দি.আই.জি. যোগেসচন্দ্র হাওবিজম অমসুং থৌবালগী এস.পি. মনোজ প্রভাকর শরুক য়াখি।

**নোনে (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক লৈরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি কোকহন্দুনা শান্তি লৈবা নুংশি চান্নবা লমদম অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা ঙসি অসাম, মনিপুর অমসুং নাগালেন্দদা লৈবা রোংমৈ চর্চশিংদা চরা হেন্দুনা লাই খুরুম্বগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

**রাস্ত্রতিঃ** অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদগী লাকপা আর্টিসিয়ান অমসুং ৱিভরশিংগী কাংবু অমনা ঙসি রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগা রাস্ত্রপতি ভাবনদা উন্নখ্রে। আর্টিসিয়ান অমসুং ৱিভরশিংগী কাংবু অদুনা মখোয়গী হৈ-শিংবা কয়া উৎতুনা রাসস্ত্রপতিদা য়েংহনখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাস্ত্রতিনা হায়-আর্টিসিয়ান অমসুং ৱিভরশিংগী হৈথোই শিংথোইবশিং অসি নীংথিনা য়োকখৎপীদুনা মখোয়বু মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনগদবনি। মশা মশাগী নাৎ চৎনবীশিং ঙাক্তুনা ফিশা-লোনশা অমসুং খুৎ-শা হৈবগী থবকশিং তৌরকপগীদমকসু শ্রীমতি মুরমুনা মখোয়বু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**পিএমঃ** নোরৱেগী কোনুং ওসলোদা অহুমশুবা ইন্দিয়া-নোরদিক সমিট পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, নোরৱে, সুইদেন, আইসলেন্দ, দেনমার্ক অমসুং ফিন্দলেনগী প্রধান মন্ত্রিশিং শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা টেকোলোজি এন্দ ইনোভেসন, সসটেনেবিলিতি, রিন্যুয়েবল ইনর্জি অমসুং দিজিটাইজেসননচিংবগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি। লল্লোন ইতিক অমসুং শেল থাদবা অমসুং মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদসু লুচিংবশিং অদুনা কুপা খন্ন-নৈনখি।

**নিটঃ** নিট-য়ু.জিগী পরিক্ষা অমুক হন্না পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী শেম শারিবশিং ঙসি ন্যু দিল্লিদা কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি-ধমেন্দ্র প্রধাননা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী মীফমনা হন্না য়েংশিনখ্রে।

মীফম অদুদা শ্রী প্রধাননা পরিক্ষা অসি নিয়ম চুমা পাঙথোকবা ঙমবা দরকার লৈবা থবকশিং লৌখৎনবা পাউতাক পীখি। জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমসুং এস.পিশিংগা পাউ ফাওনদুনা পরিক্ষা অসিগীদমক হেন্না চেকশিন্না শেম শানবসু মন্ত্রিনা খঙহনখি।

মরক অসিদা, নিট-য়ু.জি. ২০২৬ কী পেপর লিক কেসগা মরী লৈননা সি.বি.আইনা থিজিনবগী থবক হেন্না কনশিনখ্রে। মহারাস্ত্রগী লাতুর জিলাদা লৈবা রেনুকাই কেমিষ্ট্রে ক্লার্সেস কোচিং সেন্টরদা ওপরেসন চথ্থদুনা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথ্থখ্রে।

**রিজিজুঃ** কেন্দ্রগী মাইনোরিতি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজুনা, শোথ্থরবা কাংলুপশিংগী য়াইফ থৌরাংশিং নীংথিনা পায়খৎনবা হোৎনবদা রাজ্যশিংদা লৈরিবা মাইনোরিতি কম্মিসনশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌননবা তকশিনখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা ষ্টেট মাইনোরিটিজ কম্মিসনগী মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়-নরেন্দ্র মোদি সরকারনা লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমক্কী য়াইফ থৌরাংশিং মপুং ফানা পায়খৎনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। মসিগীদমক পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবা ফংফম থোকপা লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমক্তা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি।

**স্পোর্টস ঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ ৱিমেন্স সেনিয়র ৱানদে ট্রোফি ২০২৫-২৬ ঙসি সেদোগ গ্রাউন্দ কোংবা ধোবি লম্বাক্তা শান্নখিবা মেটচতা-এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকনা পি.টি.আর.সি. পাৎশোইবু রন-১১৩ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-থাউ থাংমৈবন্দনা পি.টি.সি.সি. পাৎশোইবু ৱিকেট ৮ দা থোইখি।

নুপাগী চহি ১৪ মখাগী ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমশাংদা লৈবা খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা-কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈনা পি.টি.সি.সি. পাৎশোই পার্ট থ্রিবু রন-১১০ দা থোইখি।

লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা-টি.সি.এম.দি.সি. থোংজ্ পার্ট টু পেচু লম্পাকা এম.সি.এ. নম্বোলবু ৱিকেট অহুমদা থোইখি।

ইম্ফালগী মোদেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা-সেদো থাংমৈবন্দনা থাউ থাংমৈবন্দবু ৱিকেট মরিদা থোইখি।

থৌবালগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা প্রি-ক্বাটর ফাইনেলগী মেটচ অমদা-আর.সি.এ. লিলোংনা ৱাই.ই.এস.এস. দি.এ.এল-নিংথৌখোংবু ৱিকেট ১০ দা থোইখি।

**সিসি মিট ঃ** ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই.সি.বি.ই মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা-য়ু.এস.এনা টি.আর.য়ু.জি.পি.য়ুবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-জ্বিনাইল ক্লব অমসুং উৎলৌ-এফ.সি. পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনবা অহুমশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টৌইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট-২০২৬ কী ঙসি লংথাবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা টি.সি.এম.দি.সি. থোংজ্না বি.এস.সি. (এ) ব্রম্হপুরবু ৰিকেট মরিদা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-রেজ-নাগামপালনা য়ু.সি.সি. উরিপোকপু রন-১৫ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** অনিশুবা মাইচৌ শামুরৌ চিগোং ট্রোফিগী ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী শামুরৌ মখা লৈকাইদা শান্নখিবা মেটচতা-শামুরৌ য়ুনাইটেদনা খুন্মন লৈপাকপু পাঞ্জল ৭-২ দা থোইখি।

--**কিরন**--

--**অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক**--

১) এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাখ ভাজপায়না হায়রি-মনিপুরগী ফিশা-লোনশাগী পোৎলমশিং মপান লমদা হেন্না য়োন্নবা সরকারনা লেপ্পুনা হোৎনরি।

২) রাজ্যগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী ওফিসিএলশিংনা পেট্রোল পম্পশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

৩) ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খনগৎলবা পুলিস ষ্টেসন ১০ দা সাউন্দ লেবেল মিটরশিং য়েন্থোকখ্রে।

৪) অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী খুৎশা হৈবা অমসুং ফিশাবশিংগা ঙসি রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগা উন্নখ্রে।

**অমসুং**

৫) নোররৱেগী কোনুং ওসলোদা অহুমশুবা ইন্দিয়া-নোরদিক সমিট পাঙথোকখ্রে।

--- **পাউ লোইজরে**---